HŪEIYEN LANPAO
Monday, November 15, 2021, Imphal

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	85.181489
US Dollar	74.434741
British Pound	99.852462
Australian Dollar	54.583415
Chinese Yuan Renminbi	11.668361
Japanese Yen	0.653515
Malaysian Ringgit	17.869999
Singapore Dollar	55.017831
South Korean Won	0.063109
Saudi Arabian Riyal	19.849264
Thai Baht	2.277182

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	48733.00
Mumbai	–	Rs	49720.00
Delhi	–	Rs	49586.00
Kolkata	–	Rs	49975.00

GAS NEWS

KHORIPHABA NAMBOL
Bk up-to-date
Home delivery contact no : 9366471778, 8974087390, 8787632782
M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto 07/10/2021
Valid from 25/09/21
Stock 306 nos.
Home Dellivery & Booking Contact numbers 8132036940, 8414824977, 8413936705, 7085786488
Call Time 8am to 12 noon
Sunday closed
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING : BK.upto DATE
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking-- Upto Date (14.2kg) * 19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO 28/09/21
Valid from 26/09/21
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883
KHUMBONG INDANE
Booking upto 01-11-21
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am
TDK GAS
BK. UPTO 12/09/21.
VF.10/09/21.
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS. 6909614353/8731992324.
TIMING 9:00 AM to 3:00 PM.
GBD INDANE SERVICE
Booking upto :-31/20/2021
Valid from :-06//10/2021
Stock :- 278
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-11 AM and 2pm -4pm
(Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 28/10/2021
BOOKING upto :29/10/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 am to 11:00am
MANIPUR GAS SERVICE
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
Booking upto 29/10/2021
Valid from 04/10/2021
M/S K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407
*KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

ৱিমেন এম্পৱারমেন্ট থ্রু লিগেল এৱেয়র্নেস

WOMEN EMPOWERMENT THROUGH LEGAL AWARENESS

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): লৈবাক অসিনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপগী অজাদি কা অমৃট মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী পান ইন্দিয়া এৱেয়র্নেস এন্দ আউটরিচ প্রোগ্রাম অমসুং মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী মখাদা নোংমগী ওইবা নুপীশিংগী লিগেল এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমা উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ), ইম্ফাল ৱেষ্টনা নেসনল কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এন সী দব্লিয়ু) অমসুং কোর্ট কমপ্লেক্স অসিদা লৈবা লিগেল এইদ ক্লিনিকক্তা খূৎশম্নদুনা শীনবনি।

ঙসি অয়ূক পুং ১১ তারকপদগী হৌখিবা লিগেল এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অসিগী টোপিকনা ‘ৱিমেন এম্পৱারমেন্ট থ্রু লিগেল এৱেয়র্নেস’ হায়বসিনি। টোপিক অসিগা মরী লৈননা রিসোর্স পর্সনশিংনা নুপীশিংগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী মনুংদা ৱিমেন এন্দ দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স, ৱিমেন এন্দ প্রোপর্টি রাইটস, ৱিমেন এন্দ পব্লিক ওফিসনচিংবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

রিসোর্স পর্সনশিংনা টোপিকশিং অসিগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাফমশিং থম্লবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নুপা অমসুং অঙাং য়াওনা পার্টিসিপেন্ট নুপী ৬০ রোমনা শরুক য়াদুনা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু এক্সপার্টশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখি।

থৌরম অসি দি এল এস এ অসিগী চেয়রমেনসু ওইরিবা সেসন্স জজ এ গুনেশ্বরনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীবগা লোয়ননা শরুক য়ারখিবশিংবু তরাম্না ওক্লদুনা হৌদোকখি।

থৌরম অসিদা জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফাষ্ট ক্লাস মোইরাংথেম হিরালাতানা অখন্নবা মীথুং ওইখিবগা লোয়ননা রিসোর্স পর্সনশিংনা এদভোকেট ব্রহ্মচারিময়ুম সুপ্রিয়া অমসুং এদভোকেট ইরেংবম লেনিবালানা ওইখি। থৌরম লোইশিল্লকপদা দি এ এস এ অসিগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ৱাই সোমোরজিৎনা শরুক য়ারখিবশিংগী মফমদা থাগৎ ৱাহে ফোঙদোকখি।

মাও নিংঙোলশিংবু লূপ ৮না চাক্কৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): ইপসা, অকোম লূপ, ঈপাক, পান্দম, কংলামৈ, কিল, সী এল কে অমসুং কে এস এনা শীন্দুনা মাও নিংঙোলশিংবু চাক্কৌবগী থৌরম অসিনা পূনশিনবা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরক্লগনি হায়না থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা হন্দক্তা বি জে পিদা চঙখ্রবা লংথবাল এসেমব্লি কন্সটিটুএন্সিগী এম এল এ করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কোনুং লম্পাক্কী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকপা মাও নিংঙোলশিংবু চাক্কৌবগী থৌরমদা মহাক্না হায়, চীং তমবু নুংশিনবগী মরীদা মাও নিংঙোলশিংবু তমদা চাক্কৌবা হায়বসি হেন্না চেৎশিন্নহন্নবা খোঙথাংনি। নুংশি মরী চেৎশিনহন্দুনা চীং তম অমত্তা ওইহনবগী খোঙথাং অসি য়াম্না মরু ওইরে। নুংশিনরবদি ঈং-তপ্পা লমদম শোয়দনা ওইরক্কনি হায়খি।

থৌরম অসিদা ইপসাগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ অথৌবনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা ঙসিগী নুমিৎ অসি য়াম্না পূক্নিং নুংশিবা অমদি নুংঙাইবা নুমিৎনি। মরমদি মণিপুরগী লৈমায়দা সেপ্টেম্বর ৩,২০১৫দগী মাও কৈথেল হাংদুনা পুৱারী শেন্বা হৌখিবনি। মণিপুরগী মাও ইম্ফালদগী কিলোমিটর ১০০ হেন্না লাপ্লিবনি অদুগা হিয়াঙ্গৈ থাগী নিংঙোল চাক্কৌবা লাকপদা মাওগী নিংঙোলশিংবু কাউথোকপা য়াদবা মরম্না ঙসি মাও ইচল-ইচেশিংবু নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা অচম্বা খুদোল তমজবনি হায়খি।

অদুবু মাওগী নিংঙোলশিংনা পামজবা টেম্পররি মার্কেট ওইরবসু মণিপুরগী লৈঙাক্তা পীবিনবা, মখোয়গীসু মফম অমা থম্বীনবা হায়জরকখিবদু ঙসি ফাওবদদি পীবিদনা লৈরি। মখোয়না পীবিয়ু হায়জরল্লিবা অসি লৈঙাক্না নিংঙোল চাক্কৌবগী খুদোল ওইনা পীহন্নীংবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা পীবিদবনা মাও-ইম্ফাল মার্কেটনা চেঞ্জ-চোঙজদুনা মাও নিংঙোলশিংগীদমক মফম অমা শোয়দনা পীননবা হোৎনরি। মসিদা নত্তনা মাওগী নিংঙোলশিংনা লোক্তাক পাৎ য়েংনীংই হায়রকপদগী মাওগী ইচে-ইচল অমদি ইচিন-ইনাওশিংবু লোক্তাক য়েংহন্নবা পুবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল এৱার্দি ঐচ ইবোতোম্বী খুমননা নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতমদগী চাক্কৌবা অসি পিবা কৌরম্লবা মতুং চন্দ্রকৃর্ক্তিী মতমদগী নিংঙোল চাক্কৌবা ওইনা ওনখিবনি। মসিদগী ঙসি ফাওবদা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎতা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়খি।

চাক্কৌবগী থৌরমসিদা মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী চেয়রমেন বেরি মাওনা থৌরম মপু ওইখি অদুগা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর এন ইঙোচানা মাও কৈথেল ফম্লিবীশিংদা অপনবা-অয়েৎপা য়াওদনবা হোৎনবীবগী থৌদাং লৌখিববু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা মাও কৈথেল ফম্বীশিংগী মায়কৈদগী খুদোল তমখি।

বি জে পিগী...

লামায় ১গী মখা... শুবদা অপনবা কয়া লৈখিবনা খোঙশাং ফাওবগী রেল লম্বী শেম্নবা পান্দম থল্লি।

পাৎশোই এ সী অসি ইম্ফালদা লৈজরবসু ইম্ফালদা লৈতবগুম্না তৌরি। এ সী অসিগী মীয়াম্না থক্লবা ঈশিং ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরমগনি। মমাঙদা ঈশিং নিংথিনা ফংহনগদবা মীহুৎ থাগৎলম্লবদি ঙসি এ সী অসিগী মীয়াম্না ঈশিং মরাং কায়না ফংলমগদবনি। মমাঙথক্তা এ সী অসিগী মীহুৎ খনবদা অশোয়বা লৈখিবগীনি। মীয়ামগী থবক খ্বাইদগী হেন্না তৌগদবা অমবু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খনবীরকউ হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা হায়খি, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং অসি য়াম্না শাল্লি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা তুংদা হৌরক্কদবা নহাশিংগীদমক স্কিম কয়া লোঞ্চ তৌখ্রে। অদুবু কোংগ্রেস পার্টিনদি নহাশিংগীদমক করি তৌখ্রবগে হায়না লাউদুনা লৈরি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা ইনোভেটিভ ওইবা আইদিয়া কয়া পুথোক্তুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক পায়খৎপদা মকোক্তা লৈরিবা লৈঙাকনি। লাক্লিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোকক্দৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল অসিদসু বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্তুনা ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক অমুক হন্না লাকখিগনি। মরম অসিনা মীয়াম্নসু ঈং-তপ্পা হেন্না চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহন্নবা বি জে পিগী মীহুৎশিং থাগৎপীরকউ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

ঙরাংসু কোভিদনা ৩ শিখি...

লামায় ১গী মখা...

ঙসি নুংথিলগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং কাংপোকপীদগী কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওই ১/১ কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইরদুনা লৈখিদ্রে হায়রি।

মীওই ৩ লৈখিদবা অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৯৪৯ শুরে হায়রি। লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনদগী অনৌবা কেস ৫০ (নুপা ২৭ অমসুং নুপী ২৩) থেংনখি। অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৪ থেংনরগা অতোপ্পা টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা ৪৬ থেংনবনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবশিংদি ইম্ফাল ইষ্ট ১১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২২, থৌবাল ১, বিষ্ণুপুর ৩, চুড়াচান্দপুর ৫, নোনে ১, কামজোং ৩ অমসুং উখ্রুলদগী মীওই ৪নি। নৌনা থেংনবা অনৌবা কেস ৫০ অসি থারবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,২৪,৪৮২ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,২০,১৩২, সী এ পি এফ - ৪,৩৫০) শুরে। অদুগা অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,২১,৭৩৮ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,১৭,৪০৭ অমসুং সী এ পি এফ - ৪,৩৩১) শুরে হায়রি।

এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৭৯৫ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ৭৮১ অমসুং সী এ পি এফ - ১৪) ওইবগা লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৭.৮০দা লৈরি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসিগী ওইনা মীওই ৫১ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি। মখোয়গী মনুংদা হোম আইসোলেসনদগী ৮, রিমস ১, জেনিমস ৯ অমসুং সী সী সীশিংদগী মীওই ৩৩নি। ঙরাং ফাওবদা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি টাইপ ২৬৮ অমসুং বি টাইপ ৩০নি হায়রি।

লোয়ননা ঙরাংখক্তদা মীওই ৭৫৭৩ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পূন্না হীদাক কাপথোকখ্রবা মীওইশিংগী মশীং ২০,৫৬,৪৭৪ (অহানবা দোজ - ১২,৬০,৯৬৬ অমসুং অনীশুবা দোজ - ৭,৯৫,৫০৮) শুরে হায়রি। লোয়ননা ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী চেরোল অসিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না থা অসিগী ৮দা ইন্দিগো ফ্লাইট নম্বর ৬ঈ-৬০১৪ (মুম্বাইদগী ইম্ফাল) দা তোংলকখিবা রো ১-৪গী পেসেঞ্জরশিংনা কম্মন কোভিদ কন্ট্রোল রুম (১৮০০-৩৪৫-৩৮১৮) নৎত্রগা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেসন্স ওফিসর (দি এস ও) শিংদা মখা তাবা সর্ভিলেন্স অমসুং মথৌ তাবা ক্বারেন্টাইন অমদি টেষ্টিংগীদমক রিপোর্ট তৌরক্কদবনি হায়রি।

শগোলবন্দগী বুথ ...

লামায় ১গী মখা... মন্দলনা শীন্দুনা ঙসি অয়ূক পুং ৯ তারকপদগী হৌরগা নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবদা পাঙথোকখিবা ঙসিগী বুথ লেভেল কম্মিটিগী মীটিং অদুদা মন্দলগী প্রসিদেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিগী নেসনল লিদরশিংনা পার্টি অসিগীদমক থম্মোয় শেংনা মথৌ পাঙথোক্লিবা মীওইদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকক্দৌরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পি খক্তগী ওইনা সিট ৪০ কানবা হোৎনবনা লেঙদ্রবা পান্দমনি হায়বগা লোয়ননা পার্টি অসি মপাঙ্গল কনখৎনবা হায়দুনা বুথশিংদা চৎতুনা প্রোগ্রাম কয়াসু তৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ শান্তিকুমার, ইম্ফাল সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্টকী এক্স প্রসিদেন্ট পি সরত, ভাইস প্রসিদেন্ট এন সুর্য্যবর্ন, বি জে পি শগোলবন্দ মন্দলগী ইন চার্জ ঐচ সুরজ, ৱার্দ নম্বর ৭কী এক্স কাউন্সিল্লর সী ঐচ জয়কুমার অমসুং ৱার্দ নম্বর ১০গী এক্স কাউন্সিল্লর সাইখোম ইবেয়াইমসু য়াওখি।

মৈতৈ-মীতৈ এস টি লিষ্টতা চন্দবা ...

লামায় ১গী মখা... তূমিন্না লৈশিনবা পেন্দে। অথুবা মতমদা মথৌ তাবা রেক্কমেন্দেসন থাবীগদবনি হায়খি। পনবা য়াবদি, মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা মৈতৈ-মীতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহন্দুনা অতৈ মান্নবা য়েলহৌ ফুরুপশিংদা পীবগুম য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইবগী মশাগী শক্তম, লম অমসুং লেজিসলেটিভ রাইটনচিংবা ঙাকচনবা কন্সটিট্যুসনগী ঙাকলৌ পীগদবনি হায়না এস টি দি সী এমনা মীয়ামগা লোয়ননা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্তা তান্দুনা লাক্লিবনি। কম্মিটি অসিনা লানখৎখিবা রিপ্রজেন্টেসনগী পাউখুম ওইনা ইহান হানবদা মে ২৯, ২০১৩দা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুর লৈঙাক্তা রেক্কমেন্দেসন থারক্লবা খঙহল্লকপা লৈখ্রে। মতুং তারকপদসু অমুক অনীরক খঙহল্লকখ্রে। ইকোন কোনবদা এস টি দি সী এমনা লৈবাক অসিগী হোম মিনিষ্টরদা দিসেম্বর ২৭, ২০২০দা মণিপুরদা লাক্লম্বদা পীশিনখিবা নীংশিং রিপ্রজেন্টেসন অমগী পাউখুম ওইনসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই থাদা মণিপুর লৈঙাক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী রেক্কমেন্দেসন য়াওদ্রগদি মখা খন্নবা ঙমদবগী ৱাফম অমুক্কসু খঙহল্লকখ্রবনি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্না হৌজিক ফাওবা মথৌ তাবা রেক্কমেন্দেসন থাবীদনা নমশিন্দুনা থম্বীরি। মরম অদুনা মতম খরা কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা এস টি দিমান্দগী খোঙজংসু তপথদুনা লৈখিবদু কোভিদকী ফীভম খরা ফগৎলকপগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজংশিং মখা অমুক চঙশিল্লক্লিবনি হায়না কম্মিটি অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দব্লিয়ু আনন্দ মীতৈনা ফোঙদোরক্লি।

এম এল এ সুসিন্দ্রোগী য়ূমদা পাঙথোকপা প্রোগ্রাম বোমনা ...

*লামায় ১গী মখা...*অমত্তদা লৈমিন্নবা মীওই অমনা সিম কার্দ য়াওবা মোবাইল হেন্দসেট অমগা কোন্ননা ফিট তৌরবা আই ঈ দি য়াওবা খাও অমা পুরগা এম এল এগী থোঙ্গাল তম্না চঙলকখিবনি হায়রি।

মহাক উবদা এম এল এগী হাওস গার্দ কম এস্কোর্ট ওইনা প্রোভাইদ তৌরিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মরক্তগী অমনা মহাক কনা উনগদবনো অমসুং মহাক্না পুরক্লিবা খাও অদুদা য়াওরিবা অদুনা করিনো হায়না হংলুবদা মীওই অদুনা আই ঈ দিনি হায়দুনা খুল্লকখিবনি হায়রি।

মীওই অদুগী পাউখুমদগী সিক্যুরিটি পর্সনেল অদুনা আই ঈ দি পুরক্লিবা মীওই অদুদা মহাক্না পুরক্লিবা অদু পুরগা মফম অদু থাদোক্তুনা য়াম্না থুনা চৎখিনবা খঙহনখি হায়রি। অদুগা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা থৌদোক অদুগী পাউ পীরকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো য়ুনিটকী সব ইন্সপেক্টর এম উত্তমনা থৌদোক অদুগী মতাংদা পোরোম্পাৎ পি এসকী ও সীদা ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্ট অমদা ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৫ রোম তারকপদা খুরাই তিনসিদ লম্বী অমসুং মসিগী অকোয়বদা এন্টি সোসল ইলিমেন্টশিং লৈরে হায়বগী অকক্নবা পাউ অমা ফংখি হায়রি।

পাউ অদুগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কম্মান্দোগী ও সী ইন্সপেক্টর কে ঐচ হেনরিনা এস পি অমসুং এদিসনেল এস পি (ওপস) কী লমজিং মখাদা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন অমা চথখি। ওপরেসন অসিগী মনুং চন্না কম্মান্দো টিমশিংনা তিনসিদ লম্বী পরিংদা পেট্রোল্লিং চৎলিঙৈদা য়েংবদা মহৌশাগী শকফমগা মান্নদবা মায়থোঙ উৎপা মীওই অমা পেরাগোন ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টরগী মনাক্তা লৈবা খুরাই চীংঙাংবম লৈকায়গী মফম অমদা থেংনখি হায়রি।

মহাক্না লম্বীগী নাকলদা করিগুম্বা খরা লোৎশিন্নবা হোৎনবগী থৌওং উরকপদগী চিংনরদুনা মহাকপু ভেরিফিকেসন তৌনবগীদমক লেপ্পবা হায়রুবদা মহাক্না কম্মান্দোশিংগী ৱাফমদু ইন্দনা চেন্নবা হোৎনখি। অদুবু মিটর ৫০০/৬০০ লোম মতুং ইন্দুনা তান্নরবা মতুংদা মহাক মফম অদুগী মীয়ামগী মমাঙদা ফাগৎখি। লোয়ননা মহাক্না লোৎশিন্নবা হোৎনরম্বা অদু মোবাইল ফোন ১ অমসুং দিটোনেটর য়াওবা আই ঈ দি অমনি হায়বা খঙলকপদগী অয়ূক পুং ৬ লোম তারকপদা মথৌ তাবা ফোর্মেলিটিশিং পাঙথোক্লবা মতুংদা আই ঈ দি অমসুং পোৎলমশিং অদু সিজ তৌখি হায়রি।

লোয়ননা খুদক্তা পোরোম্পাৎ পি এস, বোম দিস্পোজেল স্কৱাদ অমসুং মথক থোংবা ওফিসরশিংদসু পাউ পীখি হায়রি। লোয়ননা ১৫- অসাম রাইফলসকী কলম অমগা খূৎশম্নদুনা য়ূমথোঙ খুদিংগী ওপরেসন চথুরকপদা অয়ূক পুং ৬.৩০ রোম তারকপদনা মীওই অদু খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায়দা লৈবা অৱাং কোংপাল জুনিয়র হায় স্কুল মনাক্তা ফাবগা লোয়ননা মশা চ্যেক তৌরুবদা সিম কার্দ য়াওবা মোবাইল ফোন অমসু মঙোন্দগী রিকোভর তৌখি। লোয়ননা মহাক খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায়দগী অহৈবম প্রেমচান্দ (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ থোইবা কৌবা মীওই অমনি হায়বা খঙবা ঙমখি হায়রি।

মঙোন্দা অহানবা চথুখিবা ৱাহং পাউহংদা মহাক্না পুরক্লিবা আই ঈ দি অদু লমলোং কৈথেলগী মফম অমদগী পুরকখিবনি হায়বগা লোয়ননা বোম অদু খুরাই তিনসিদ লম্বী পরিংদা প্লান্ট তৌনবনি হায়বসু খঙবা ঙমখি হায়রি।

হৌজিক মহাক্কী মথক্তা কেস অমা লৌখৎতুনা মঙোন্দা মখা তানা ৱাহং পাউহং চথুরি হায়রি।

অদুম ওইনমক থৌদোক অসিগী মরুমদা করম্বা খূৎলায় পায়বা কাঙবু লৈবনো অমসুং আই ঈ দি অদু করিগীদমক্তা প্লান্ট তৌনবা হোৎনরল্লিবনো হায়বগী মতাংদদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

পনবা য়াবদি, এম এল এ সুসিন্দ্রোনা মহাক্কী য়ূমদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা য়ুথ ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা মীয়ামগী মীহুৎ, এম এল এ ওইবা হায়বসি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অদুগী চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনবা অমসুং পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক্তা লৈঙাক্তগী নমদুনা ফোয়রগা লৌনবা হোৎনবা ঙম্বা অদুবুনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না খুরাই এ সীগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অঙন্বা থাক্তা হোৎনদুনা লাক্লি হায়রদুনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা শাগদবা ৱাংহৌবা থোংশিং য়াওনা হৌজিক থোং তরুক শানবা পান্দম থল্লি। অদুবু পায়খৎলক্কদৌরিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অসি নহা ওইবশিংদা শিন্নদুনা মখোয়বু থৌদাং লৌহন্নবা মহাক্না ফিরেপ লৌরে হায়খি।

মীওইবগী পুন্সি অসি য়াম্না মমল য়াম্মী হায়রদুনা খুদোংথীবা থৌদোকশিং মায়োক্নদনবা লম্বী পাকথোক্তুনা হৌজিক্তি খরদি মরাং কায়না চৎথোক চৎশিন তৌবা ফংলে। হান্নদি খুরাইগী লম্বীশিং মীনা কৃক-কৃক ইন্নদুনা চৎলম্বনি। খুরাই এ সীদা অওনবা পুরক্লিবা কয়া অসি ঙসিগী লৈঙাক অসি লৈবদগীনি। অদুগা য়ুথ হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইরি। য়ুথশিংগী ৱাহন্থোক লৈনা থবক পায়খৎতুনা থৌদাং লৌগদবনি। য়ুথশিংনা মণিপুরগী খুন্নাইসিগী অওনবা অহোংবা পুরক্কদবনি। ঐখোয়না হোৎনরিবসি মীওইবা খুন্নাইসিবু চাওখৎনবা অমদি মীয়ামগী পুন্সি কন্নবনি। কোভিদ-১৯গী অৱাবা কয়াদা মীয়াম্বু কন্ননবগীদমক হোৎনবা য়াবা হোৎনখি। খুরাই এ সীগী ওইনা চহী ১০ রোমদা পি দব্লিয়ু দিনা শেল অমত্তা থাদদবদগী লম্বীশিং শেমদনা লাকখিবনি। হৌজিক থক্লনবগীদমক অফবা ঈশিং ফংনবা পাইপ ফুমদুনা হোৎনরি হায়খি।

ঙসিগী ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা সী ঈ এম সীগী প্রসিদেন্ট কে কুমার, বি জে পি খুরাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট এন কাননবলা অমদি সী ঈ এম সীগী থৌ পুবশিংসু প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

শীংজমৈগী মীয়াম্না মায়োক্নরিবা অৱাবশিং কোকহনগনি ...

লামায় ১গী মখা... পোলিটিক্সকী লম্বী অসিদা চঙলকখিবনি। কনাগুম্বা খরনা ভোট ময়াদা থবক তৌনৈ অদুবু ঐহাক্কী ওইনদি ভোট ময়া নৎত্রবসু অদুমক মীয়ামগী থবক তৌদুনা লাক্লি। মখা তানসু মীয়ামগা লোয়ননা খুৎশম্নুনা অদুমক চৎকনি।

ৱাহং : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা অদুগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই।

পাউ : লৈঙাক অমা লৈরগদি অফবসু লৈগনি, ফৎতবসু লৈগনি। অদুবু হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি কয়াম ফবগে, কয়াম য়াম্না চাওখৎনবগী থবক থৌরমশিং তৌরিবগে অমদি তৌদবগে হায়বসিদি মীয়াম্না হেন্না অদুমক খঙলমগনি হায়বা ৱাফম থমজগে। এম এল এ খরা দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবগী মতাংদা হায়য়ু হায়রগদি কন্সটিট্যুসন মশক ফজনা খঙদবা, ৱাখল খন্থবা ৱাৎপা অমদি কা হেন্না পৱার পাম্লুবদগী থোক্লকপা থৌদোকনি হায়জনিংই।

ৱাহং : লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা য়ূম্ফম ওইরগা মীখল লাম্থেংনগে খনবিরি।

পাউ: অহানবদা বি জে পিদা য়াওরম্মী, অদুবু বি জে পিগী টিকেট ফংখিদে। মদুগী মতুংদা মতম খরা কোঙ্গ্রেস পার্টিদসু য়াওরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি পুম্নমক অদু থাদোক্তুনা নোর্থ ইষ্ট মীয়ামগী তশেংনা খনবা অমদি ইশাগী ওইবা খ্বাইদগী ফরবা পার্টি নেসনল পিপল্স পার্টি (এন পি পি)দা য়াওরে। মরম অদুনা লাক্লিবা ইলেক্সন অসিদা এন পি পি পার্টিদা লেপ্লগনি। মণিপুরগী নহাশিংনা থেংনরিবা থবক ফংদবগী প্রোব্লেমশিং কোকহন্নবা অমদি নুপীশিংদসু থবক পীনবগী ইমুং-মনুং নুংঙাইনা ৱাৎত-পাদনা লৈনবগী থবক পায়খৎনবা হোৎনগনি। মসিগী ৱাফম অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসি থেংনগনি।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ: করিগুম্বা শীংজমৈ এ সীগী মীয়াম্না অওনবা চাওখৎপা অমা পুরকপা পামদুনা ঐনা তৌজরিবা থবকশিং অমদি ৱাখল্লোলশিং অসি খঙবিরদুনা এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইহনবিরবদি দিভেলপমেন্টকী থবক কয়া অমদি শোয়দনা তৌগনি। অদুবু খ্বাইদগী অহানবা ওইনা থবক ফংদ্রিবা নহাশিংবু মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা থবক থৌরমশিং হান্না পায়খৎকনি। লোয়ননা এ সী অসিদা নোং হেক তাবগা ঈশিং ইচাউগী চাওনা অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি কোক্নবা হোৎনগনি। এ সী অসিদা ভোট লেপখ্রবা কেন্দিদেটশিংনা ভোট লেপখিবা মতমদা অদুমক হায়নখিবা ৱাফম থবক ওইনদি তৌরক্তবা তুরেল অমনবিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং কোকহনগনি হায়বদু অতৈ এম এল এশিংনা তৌখিদ্রবসু ঐগী ওইনদি শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়বা ৱাফম মীয়ামদা থমজরি। মচা-মশুশিংনা থৌওইবিদ্রবা অহল-লমনশিংগী ওল্ড এজ হোম অমসু শেমগৎকনি। লোয়ননা হৌজিক ঐহাক্না অহল-লমনশিংদা পীজরিবা পেন্সনগী শেনফমগী মশিং হেনগৎতুনা তুং কোয়না মতেং ওইহৌনবা থবক পায়খৎকনি।

ৱাহং : নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : মরম কয়া অমদি লৈখ্রে, ঐগী ৱাখল্লোলদা নাগা পিছ টোককী মরুমদা লমদম অসিদা তোঙানবা মীৎয়েং অমা লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা য়েংবিদুনা লাকখি। ইরমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং য়াম্না টেলেন্ট লৈবা মীওই ঙাক্তনি, মরম অদুনা করিগুম্বা শেন্থং কয়া থাদদুনা চাওখৎপা ৱাৎত-পাদবা লমদম অমা ওইখ্রবদি তোঙানবা খোঙথাং অমা থাংলক্কদ্রা হায়বগী অকিবসু লুচিংবশিংদা লৈখিব্রা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। মরম অদুনা অদুমক লমদম অসিবু নমথদুনা অমদি খাইবুং-খাইবুং তাহন্নবা থৌরাং কয়া চৎথদুনা থম্বিখিব্রা হায়নসু খল্লি। লোয়ননা লমদম অসিগী লুচিংবশিংনা সেন্টরগী লুচিংবশিংগা তান্নদুনা তৌবা য়াবা থবকশিং তৌবিখিদবনচিংবা মরমশিংননি হায়জনিংই। অদুবু ঐনা হায়জরিবা ৱাফমশিং অসি লাল্লম্বসু য়াই অমদি পূম্নমক চুম্মী অমদি তৌখি হায়জবসু নত্তে। শুপ্পগী ঐহাক্কী থম্মোয়দা ফাওজবা ৱাখল্লোল অদুনি।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : মহারাষ্ট্রগী পুনা য়ুনিভর্সিটিদগী বি এস সী বোটনি লোইশিনখ্রে। অপোকপগী মীংনা ওইনাম চার্লি অমদি অপোকপীগী মীংনা ওইনাম ওংবি মেম্মা কৌই।

ৱাহং : পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়নৈ অমদি পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : ঐহাক্কী ওইনদি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা তৌগে খনখিবা থবকশিং অমদি শকখিবা ৱাশকশিং থবক ওইনা পাঙথোক্তবা অমত্তা লৈখিদে। মরম অদুনা ঐনা এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক তৌগনি হায়খ্রিবা থবকশিং মপুং ফানা পাঙথোক্কনি। করিগুম্বা ঐনা হায়খ্রিবা থবকশিং অসি ভোট কাখ্রবা মতুংদা তৌরক্ত্রগদি ওল্লকপা ইলেক্সনদা মীয়াম্না চৈরাক পীবিয়ু। শকখিবা ৱাশক্তি ঐহাক শোয়দনা ঙাক্কনি।

ৱাহং : এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ: এ সী অসিগী টোটেল ভোটর হৌজিকমক্কী ওইনা লিশিং ১৯ হেন্না লৈ, পোল্লিং ষ্টেসনননা ২৯ নি। নন মণিপুরী ভোটরদি লৈতে।

ৱাহং : পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাঙ ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ: চহী কয়াগী মমাংদগী পোলিটিক্স য়াওদনা মীয়ামগী থৌগলদি অদুমক তৌদুনা লাকখি। অদুবু মীয়ামগীদমক তৌদবা য়াদ্রবা বেসিক নিদসশিংদা য়ুম্ফম ওইবা অমদি দিভেলপমেন্টকী থবক থৌরমশিং তৌগে হায়রবদি মীহুৎ অমা ওইবা য়াম্না মথৌ তারকই। নৎত্রবদি মীয়ামগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং তৌবা ঙমদে। মরম অদুনা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইদুনা পৱার পায়রবদি মীয়ামগী থবক মপুং ফানা শোয়দনা তৌবা ঙমগনি হায়বা ৱাখল্লোলদা পোলিটিক্সকী লম্বী অসিদা খোঙদারকখিবনি।

ৱাহং : করপসন চাওনা লৈরে পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী মনুংদা শেল তিংদনা-শেল চঙদনা ভোট কাবা কেন্দিদেট হায়বদু ঐহাক্না ওইরগনি। মরম অদুনা ঐহাক্কী ওইনদি এ সী অসিদা করপসন অমত্তা লৈহল্লরোই। ভোটতা শেল য়াম্না চঙখিবা মরম্না করপসন তৌবা হেনগৎলকপনি। শেল চঙদনা ভোট কাখিবা মীওই অমনা কৈদৌনুংদা করপসনগী থবক তৌরক্লোই। করপসন মরু ফংনা মুথৎনবা হোৎনগনি।

ৱাহং : লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্না থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

পাউ : থবক লৈনরক্তবদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপনি। করিগুম্বা ঙসি লমদম অসিগী নহাশিংনা মাগী-মাগী থবক্তা বিজি ওইনা লৈনরবদি ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং চাবা য়াম্না হন্থরক্কনি। লোয়ননা ঐখোয় পূম্নমক্না ৱাখল তামিন্নবগা লোয়ননা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লমদম অসিগী নহাশিংবু মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা থবক-থৌরমশিং পীবগীসু তঙাইফদবা লৈ। ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মতাংদা এৱ্যারনেস পীবগী থবক লমদম অসিগী মীওইশিংনা অমদি তোঙান-তোঙানবা লুপশিংনা নিংহন্নবা লৈতনা অদুমক চৎথহন্নিংই।

ৱাহং : থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : হ্যুমেন রিসোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা মানা-মানা হৈজরিবা থবক-থৌরমশিংদা শেন্থং কয়া থাদদুনা থবক তৌহল্লবদি লমদম অসিদা লৈরিবা অনইমপ্লোয়মেন্টকী প্রোব্লেম অসি কোকহনবা ঙমগনি। ঐগী মায়কৈদগীসু হ্যুমেন রিসোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা অনইমপ্লোয়মেন্ট কোক্নবা হোৎনগনি।

ৱাহং : মণিপুরগী পোলিটিক্সকী ওইরিবা ফীভম অসিদা করম্বা ৱাখল্লোল চেনবা মীওইশিং চঙলগদি হেন্না চাওখৎপা নুংঙাই-য়াইফবা লমদম অমা ওইরক্কনি খনবিবগে?

পাউ: লাইরিক-লাইশু হৈতবা মীওইশিংদি পোলিটিক্সতা চঙহন্নিংদে। চাওখৎপা লমদম অমা ওইহনসি হায়রবদি লৈবাক মীয়াম্নসু ভোট থাদবা মতমদা লাইরিক লাইশু হৈবা নহা ওইরিবা ক্বালিফাইদ ওইরবা কেন্দিদেটশিংদা ভোট পীবিয়ু। লোয়ননা অহল ওইরবসু লৈবাক্কী খন্না থবক তৌরিবা ফিদমনিংঙাই ওইবা লুচিংবশিংদি মীয়াম্না অদুমক ভোট পীদুনা লৈবাক্কী থৌগল তৌনবগী তাঞ্জা অদুমক পীহন্নিংই।

ৱাহং : ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা করি-করম্বা শেমদোকহন্নিংবা অমদি হোংদোকহন্নিংবা ৱাফমগদি লৈব্রা? করিগুম্বা লৈরগদি হায়বিয়ু।

পাউ: খুদম ওইনা ইন্দিয়াগী লৈরিবা পোলিটিক্স অসিদা বি জে পি অমদি কোঙ্গ্রেস হায়বা পার্টি খক্তদা চৎপগী মহুৎতা মাগী-মাগী ষ্টেটশিংগী ওইবা লোকেল পার্টিশিং থাগৎপীদুনা লৈঙাক শেমহন্নিংই। লোয়ননা মণিপুর লেন্দ রিফর্মেসন এক্ট অসি য়াম্না থুনা শেমদোকহন্নিংই। মদুনা ঐখোয় অমত্তা ওইনা চীং অমদি তমদা পুন্না খুন্দামিন্নদুনা নুঙাই-য়াইফবা চাওখৎপা লমদম অমা ওইবা হায়বদু ঙমগনি খল্লি।